## এন ই সি ষ্টাইপেন্দ পীগদৌরি

**ইম্ফাল, মে ০৭(এন ঐচ এস) :** ডিরেক্টর ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এডুকেসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফ্রেস এন ই সি ষ্টাইপেন্দ অমসুং বুক গ্রান্ট কুমজা ২০১৬-১৭ অমসুং ২০১৭-১৮ কী ওইনা মহৈরোই ৩০৯ অমসুং রিন্যুএল এন ই সি ষ্টাইপেন্দ অমদি বুক গ্রান্ট ২০১৫-১৬ তগী ২০১৭-১৮ ফাওবগী মহৈরোই ৪০৯ খনগনি। মরম অদুনা ফ্রেস অমসুং রিন্যুএল এন ই সি ষ্টাইপেন্দ অমদি বুক গ্রান্টকী চেরোল পীশিনখিবা অমদি আধার্ক কার্দ অমদি মরী লৈনবশিং পীশিনখিদবশিংনা লাক্লিবা জুলাই ১০ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্নবা খঙহল্লক্লি।

## খুঙ্গং চৎসিগী থৌরম পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, মে ০৭(এন ঐচ এস) :** চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী অতোপ্পা খুল অহুমদসু খুঙ্গং চৎসি মিসনগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি হায়রি। চান্দেলগী ডেপ্যুটি কম্মিস্নার কৃষ্ণকুমারনা ফোঙদোরকপদা, সার্ভিস ডেলিভরি কেম্প অমসুং সেন্টরশিং খন্বথেল ভিলেজ, চান্দেল সব ডিভিজনগী তম্পী ভিলেজ অমসুং চকপীকারোংগী তম্পী ভিলেজ অমসুং খেংজোই সব ডিভিজনগী গমফাজোং ভিলেজদা হয়েং পাঙথোক্কনি। মিসন অসিগী মখাদা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্ট কী ভিলেজ ১১ দা থৌরম পাঙথোকখ্রেবনি হায়রি।

## 'লম্বী পাকথোকপীয়ু'

**ইম্ফাল, মে ০৭(এন ঐচ এস) :** এন ঐচ ১০২ গী লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী শরুক অসি অথুবদা পাকথোকপীয়ু হায়না লিলোং চাওবোক ইফম ডিভলপমেন্ট কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি। রোড এক্সপান্সন কম্মিটি ফ্রোম লিলোং টু উৎসোইপোকপী ৱাইথৌনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মপূংফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা পট্টাদারশিংগা য়ান্নবা মমলদা অমুক্তংদা লম লৌশিন্দুনা লম্বী পাকথোকপীয়ু। নত্রবদি পট্টাদারশিং অমদি জে এ সিনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

## ৱাকৎ মীফম চংখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৭(এন ঐচ এস) :** শেল লৈতবদগী মণিপুর প্রাইভেট লাইব্রেরিদা পাউচে পাবা ফংদবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মণিপুর রিদর্স ফোরমগী প্রসিডেন্ট মুতুম উপেন্দ্রোনা লুচিংদুনা ঙসি বি টি রোদতা লৈবা পব্লিক লাইব্রেরিনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

চহি অনিগী মমাংদগী লৈঙাক্লা লৌশিন্দুনা গভর্ণমেন্টকী ওইদুনা লৈরবা পব্লিক লাইব্রেরি অসিদা পীফম থোকপা শেনফম অমত্তা পীবিদবনা মরম ওইরগা চহি ২ রোম চীফ কষ্টদিয়াননা শেনফম পুথোক্তুনা পাউচেগী, ইলেক্ট্রিক্কী অমদি চৌকিদারগী শেনফমশিং পীরি। লৈঙাক্লা লাইব্রেরি অসিগী অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনবীদনা থবক্তা ওন্থোকপীয়ুনা হায়না মণিপুর রিদর্স ফোরমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## গোল্ডন জুব্লি থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৭(এন ঐচ এস) :** নবিন গোর্খা য়ুথ ক্লব চারহজারগী গোল্ডন জুব্লিগী থৌরম থা অসিগী ৬ তা চারহজার কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা প্রো: গঙ্গাপ্রদাদ প্রসেন কম্মর্স ডিপার্টমেন্ট মণিপুর য়ুনিভর্সিটি বোলানাৎ শর্ম্মা রিসর্ছ ওফিসর প্লানিং ডিপার্টমেন্ট, ডো: তনকানাথ কাতিৱাদা হেড ওফ ডিপার্টমেন্ট, হিন্দি ডিপার্টমেন্ট প্রসিডেন্সি কোলেজ মোরবুং, বালারাম বিস্তা ফাউন্দর মেম্বরনচিংবনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিডেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## 'হৈঙাং চীংগী ৱাথোক লোইশিনমীন্নসি'

**ইম্ফাল, মে ০৭(এন ঐচ এস) :** পাখঙবা চেংহোংবা নুমীৎতা হৈঙাংচীংদা লৈবা পাখঙবা অমদি ইমা লাইস্নাগী মফমদা চেং হৈবগী থৌরমদা মুস্লিমশিংনা লাইশঙ থুগায়বা অমদি পোৎ- চৈ চাইথাইবগী পাউ তাবদা থম্মোই শোকনা নুংঙাইতে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি তৌহৈদবা থৌদোকনি হায়না ৱাইখোং লৈকাই রুমেন ৰেলফ্যের এসোসিএসন, মোংখাং লম্বী মোর্দন ক্লব অমসুং কেবিয়া পন্দিৎ লৈকাই য়ুথ ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোরক্লি। মৈতৈ অমসুং পাঙল অতোপ্পা অমা নত্তে, ঐখোয় অমত্তনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক থোক্তনবা হোৎনমীন্নসি। মীতৈগী লাইশঙ অমদি লাইফমদি হোংদোকপা য়াদে। মীতৈগী লাইফমদা খুন্দাসিল্লগা খুনগী লমনি, খুনগী লাইনি হায়বা ৱাহৈসি হায়হৈদবা ৱাহৈনি। হৈঙাংদা পাখঙবা চেংহোংবা লাইগী থৌরমদা মুস্লিমশিংনা চঙলক্তুনা থুগাইবা চৈথাইবগী থবক চংথরকপা অসি য়ানিংদে।

# লেম্পলাইটিং, কেপিং, ওথ টেকিং সেরিমোনিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):** ফিমেল হেল্‌থ ৱাকর্সর ট্রেনিং স্কুলগী প্রিন্সিপাল, ষ্টাফ অমসুং মহৈরোইশিংনা শিন্দুনা লেম্পলাইটিং, কেপিং অমসুং ওথ টেকিং সেরিমোনিগী থৌরম ট্রেনিং স্কুল অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা হেল্‌থ এন্দ ফেমেলি ৱেলফ্যের সার্ভিসেসকী ডিরেক্টর ডো: কে রাজোনা হায়খি, ট্রেনিং লোইরকপা হায়বসি নর্সশিংগীদি মপূং ফাবা হায়বদু ওইরকপদা নত্তনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা হৌরগদবনি। মরম অদুনা নর্সকী প্রোফেসন অসি য়াম্না মরু ওই।

ঙসি অসি ১৫ শুবা বেজকী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। ফেমিলি ফেফ্যের স্কুল অসিগী মখাদা লৈবদগী ফগৎলে। ওজাশিংগী ষ্টাফশিংগী তোলোবসু হেনগৎনবা হোৎনবনি। মসিগীদমক্তা চাদা ৩০ গী দাটা ফংবা ঙল্লল্লে। মহৈরোইশিংগীশিং ষ্টাইবেল পিনবা থাগৎপিরকউ। ষ্টাইবেল পীনবসু হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি।

নর্সিংগী ট্রেনিং থৌরিবা মহৈরোইশিংনসু থৱাই য়াওনা হোৎনবীয়ু। কুচু, ফুরু অমসুং কাঙলূপকী খেৎনবা থমদনবা থৌগল তৌনবা হোৎনবিয়ু। নর্সিং ট্রেনিং স্কুল অসি য়াম্না ফবা অমা ওইরবনি। অদুগা মপালগী মীওইনসু য়াম্না পান্নবা ইন্সটিট্যুসন অমা ওইরে। মরমদি ঐখোয়গী তোঙানবা স্কুল অমা লৈজবা অসিননি। হেন্না হোৎনবা অমদি হেন্না পামহন্নবা হোৎনবসু চঙই হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা কে সুনিতানা হায়খি, কুমজা ১৯৮৪ দগী হৌরকপদগী ঙসি ফাওবা নর্স ১০০৮ ট্রেনিং লোইখ্রে। মহৈরোইশিং কেপিং অমসুং ওথ টেকিং তৌরিবা অসি থিওরি অমসুং প্রাক্টিকেল তৌদুনা লোইরবা ঙাক্তনা। মখোয় অতোপ্পদা থবক তৌবা য়ারে হায়না অয়াবা পীরবনি।

হৌজিক লৈরিবা ট্রেকিং স্কুল অসিগী বিল্ডিং অসি শেমজিন শাজিনবিরবদি হেন্না নুংঙাইগনি লোয়ননা গাড়ি পার্কিং অমগা শেমহন্নিংই। থৌরম অদুদা ফেমিলি এন্দ হেল্‌থ সার্ভিসেসকী এডিস্নেল ডিরেক্টর ডো: এম ডি সলামত উলাহা প্রসিডেন্ট ওইখি। হেল্‌থ মেন পৱার ডিভলপমেন্টকী এডিস্নেল ডিরেক্টর ডো: পি শ্যামসুন্দর, নর্সিং মেডিকেল ডিরেক্টোরেটকী জোইন্ট ডিরেক্টর অমসুং নর্সিং সুপরিন্টেন্দেন্ট জে এন আই এম এস পি লন্দ্মোনিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

# শিন্নমীশিংগী য়াইফনবা তৌরক্কনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি: ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ

**ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):** লৈঙাক্লা শিন্নমীশিংগী ফননবা থবক তৌরবা মরু ওইনা অফবা লোইশঙ লোইননা লোইশঙ অদুবু অফবা ইমপ্লোইয়িশিংনা চলাইরবদা শিন্নমীশিংগী য়াইফনবা তৌরক্কনি হায়বসি খুন্নাইগী থাজবনি। অদুবু মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অর্দর কন্সট্রক্সনা ৱার্কর ৱেলফ্যেরগী মরমদা ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফম অসি লাইবক থিবনি হায়না ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘনা ফোঙদোরক্লি।

ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘনা নেসনল সেক্রেটরি এল তোম্বনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লেভর ডিপার্টমেন্ট অসি লেবর ৱেলফ্যির বোর্দকী মখাদা লৈতে ডিপার্টমেন্ট অসিগী গ্রেদ থার্দ এমপ্লোয়ী অমদু ৱেলফিয়র বোর্দতা মীশিং শুনা লৈতবদগী রেজিষ্টরিং ওফিসর হায়না থবক থৌরম কয়া পাঙথোকহনবা ওইরমগনি হায়না খল্লি। ৱেলফ্যির বোর্দ অসিসু মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অর্দর কন্সট্রক্সন ৱার্করস (রেগুলেসন ওফ এমপ্লোমেন্ট) এন ডি কন্দিসন ওফ সার্ভিস এক্ট ১৯৯৬ (নম্বর ২৭ ওফ ১৯৯৬) কী সেক্সন ৪০ অমসুং ৬২ গী মখাদা শেমখিবা রুলশিং ডি মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অর্দর কন্সট্রক্সন ৱার্করস রেগুলেসন ওফ এমপ্লোইমেন্ট কন্দিস ওফ সার্ভিস রুল ২০০৮ লোইননা মণিপুর গেজেট নোটিফিকেসন নম্বর ২৮৯ দেটেদ ২৯ ওক্টোবর ২০০৮ কী ষ্টেট রুলনা ময়েক শেংনা পল্লি। মরম অদুনা হায়রিবা পোষ্ট অসি মতম অদুগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি সুহেল আখতারা চিয়রমেন ওইহনখি হায়রি। শিন্নমীশিং চহি কয়া বেন্দেদ লেবর অমগুম্না কার্দ পীগদৌরি হায়না হংলক্লি। কার্দ অদুগী মতমনা কয়া য়াম্না শাংবনো স্মার্ট কার্দ অদু মতৌ করম্না ওইহনগদৌরিবনো মাইক্রো চিফ য়ামৱা হায়না হংলকপগা লোয়ননা কার্দ অদু কদায়দা শীজিন্নরগা মদুগী অমুকপ্পা মরোল খঙগদগে হায়না মখা তারক্লি। লেবর কার্দতগী লাকপা শেনফমদগী চাদা কয়া স্কিল ডিভলপমেন্টতা শীজিন্নগনি লোয়ননা হৌখিবা চহি অমদি ঙসি ফাওবদা লুপা কয়া এডুকেসন বেনিফিটতা শীজিন্নখ্রে। স্কিল ডিভলপমেন্টকী বেনিফিসরিশিং কনা কনানা কৈদৌঙেঁ খনখিবগে হায়না হংলক্লি।

# 'থবক হঞ্জিনহন্দ্রবদি পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই'

ইম্ফাল, মে ০৭ (এন ঐচ এস) : লোক্তাক প্রোজেক্টকী মেনেজমেন্টনা কন্ট্রেক্টর অনীগী কেপাসিটিদগী লৌথোকখ্রবা লেবর ৪৭ থবক্তা হঞ্জিনহনবীয়ু, নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা হঞ্জিনহন্দ্রবদি পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা য়াই হায়না কন্ট্রেক্ট লেবর ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী প্রসিডেন্ট পি কুমারজিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা পি কুমারজিৎনা হায়খি, লোক্তাক প্রোজেক্টকী মখাদা চহী ৩০ হেন্না থবক তৌরক্লবা অমদি চহী ৫ হেন্না থবক তৌরক্লবশিংগী মনুংদগী হন্দক মীওই ৪৭ লৌথোরক্লে। হীরমসিগী মতাংদা মমাং থাগী ৩০ দা ৱাকৎ মীফমসু ফমখ্রে। মীওই ৪৭ অসি কন্ট্রেক্টর ২গী মখাদা টার্ম কয়ারক লৈরকখ্রবনি। লেবর ৪৫১গী মনুংদা মীওই ৪৭ অসি লৌথোকপীগনু। লোক্তাক পাৱর ষ্টেসনগী মেনেজমেন্টতা হায়জরবসু পাউখুম অমত্তা লাক্তে। ইখঙ খঙহৌদনা মীওই ৪৭ লৌথোরকপা অসি মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবনি। মখোয়গী হিংবগী রাইট পীবীয়ু। নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা থবক্তা হঞ্জিনহন্দ্রবদি রেল্লি অমসুং হঙ্গর ষ্ট্রাইকনচিংবা চংথগনি। জেনরেল মেনেজরদগী হৌরগা চীফ এঞ্জিনীয়র অমদি মেনেজরশিংনা মী কয়া থবক হাপখি, কমদৌনা থবক হাপখি হায়বসি মমিংগা কোন্ননা মীয়ামদা ফোঙদোক্কনি। ইমপ্লোয়ীশিং অসি কন্ট্রেক্টরনা থবক হাপখিবা নত্তে। লোক্তাক প্রোজেক্টকী জেনরেল মেনেজর, চীফ এঞ্জিনীয়র অমদি সিনিয়র মেনেজরনা হাপখিবা ঙাক্তনি। লৌথোকপগী রাইটসু মখোয়দা লৈ। কন্ট্রেক্টরগা মরী লৈনদে। য়ুনিয়ন অসিনা থবক তৌদবগী খোঙজংসু চঙশিল্লগনি। থবক হাপ্পবা মতুংদা কন্ট্রেক্টর শিল্লে, থবক তোক্লো হায়বসি মীওইবগী খুন্নাইদা চৎনদবা ৱাফমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# শগোলমাংদা হোস্পিটাল শাবীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):** শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হোস্পিটাল শাবীয়ু হায়না ঙরাং শগোলমাং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখিবদা শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিডেন্ট এম তোম্বী অমদি সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারসু শরুক য়াখ্রে।

শগোলমাংদা ঙরাং লমদম অদোমগী মীওই কয়ানা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা অদুদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট অমদি শিব সেনা মণিপুরগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিডেন্ট এম তোম্বীনা হায়খি, শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবগী লমগী মতাংদা চয়েৎনবা করিসু লৈত্রে। হোস্পিটাল অসি শারকপা মতমদা তঙাইফদনা চঙগদবা লমশিং কথোক্লে হায়বা ৱাফমসু লৈখ্রে। লমগী ওইবা চয়েৎনবা লৈত্রবনিনা শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবীরো। হৌজিক মেদিকেল মিনিষ্টর ওইরিবা অসিনা মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদা মেদিকেল মিনিষ্টর পায়রিঙৈদা শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা উরেপ উয়ুং তল্লল্লবনি। উরেপ-উয়ুং তমখ্রবা মফম অসিদা হোস্পিটাল অসি শাবা হৌবীরো। লমদম অসোমগী মীয়াম্না অনা-লায়েংগী লম্দা অৱাবা কয়া থেংনরিবনি। মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না শগোলমাংদা লৈরিবা অনা-লায়েংশঙ অসিদা মপূং ওইনা লায়েংবগী থবক তৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৭ (এন ঐচ এস) :** মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা কনকরেন্ট সোসাইটি মণিপুরনা ডিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, বিষ্ণুপুরগা খুৎশমননা শিন্দুনা থা অসিগী ৫ দা থাঙ্গ হায় স্কুলদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

স্কুল অদুগী মহৈরোই ২০০ রোম লোইননা টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখিবা ফঙ্কস অদুদা থন্বাল মরিক কোলেজগী প্রোফেসর সলাম প্রলাহদ, থাঙ্গ হায় স্কুলগী হেড মাষ্টর হাওবিজম গম্ভির অমসুং গ্রেজুয়েটকী ওজা নিংথৌজম বিজিনেশ্বরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পার্সন অনি এডভোকেট টি ঐচ হেমচন্দ্র অমসুং এডভোকেট থিংবাইজম সুস্থির, মেম্বর চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটি, বিষ্ণুপুরনা ৱা ঙাংখি। এডভোকেট হেমচন্দ্রনা জুবিনাইল জষ্টিজ (কেয়র এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিন্দ্রেন) এক্ট ২০০০, প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্সেস এক্ট ২০১২ গী মরমদা ৱা ঙাংখি অমসুং এডভোকেট সুধিরনা সাইবর লোজশিং অমদি চাইল্ড ট্রাফিক্কিং এক্টকী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

## খুঙ্গং ৩ দা খুঙ্গং চৎসি মিসন পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, মে ০৭ (এন ঐচ এস) :** বিষ্ণুপুরগী ডিষ্ট্রিক্ট এডমিনিষ্ট্রেসননা থা অসিগী ৮ দা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী খুঙ্গং অহুম হায়বদি ইথিং, নরানসৈনা অমসুং ককয়াইদা 'খুঙ্গং চৎসি মিসন' পাঙথোক্লগনি। মিসন অদুগা মরী লৈননা ডেপ্যুটি কম্মিস্নার পাৱন য়াদবকী নোটিফিকেসন অমনা হায়, এস ডি ও/ মোইরাং, এ ডি ও/বিষ্ণুপুর অমসুং এস ডি ও/নম্বোলনা কেম্পশিং অদুদা মিসনগা মরী লৈনবা থবকশিং পাঙথোক্কনি। ডিপার্টমেন্টগী ওফিসরশিংদসু মীয়ামগী প্রোব্লেমশিং অমসুং খঙনীংবশিং মীয়াম্না পান্থা মওংদা য়েংশিনবা য়ানবা পব্লিক গ্রিভান্সেস রিদ্রেসল সেলশিং লিংখৎনবসু ডি সিগী নোটিফিকেসন অদুনা খঙহনখি। নীংশিবা য়াই হৌখিবা মে ১ দা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী কন্সটিট্যুএন্সি ৬ কী খুঙ্গং ৩ দা মীয়ামগী সপোর্টকা লোইননা মান্নবা মিসন পাঙথোকখ্রে।

# হোস্পিটাল শগোলমাংদা শাবদা অয়েৎপা লৈতে: জে এ সী

ইম্ফাল, মে ০৭ (এন ঐচ এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শগোলমাংদা শারগনি হায়না মমাংদা উরেপ উয়ুং তমদুনা অমদি ফেন্সিং ফাওবা খাজিল্লবা মফম অসি তোকথোক্লগা ক্যামগৈদা হোংলগনি হায়রকপদগী খুন্দ্রাকপম এ সী অমদি সাইকুল এ সী অনীগী মীওইশিংনা হৌরকপা ঈহৌদা হেল্‌থ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা শেংদোক্লিকবনি হায়দুনা মীদিয়াদা ফোঙলক্লিবা এম ও এনি হায়বা চে অদু ওফিসল ওইদে হায়না জে এ সী এগেনষ্ট অন নেচরেল সিফটিং ওফ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ইম্ফাল ইষ্ট শগোলমাংনা ফোঙদোরক্লি।

জে এ সী এগেনষ্ট অন নেচরেল সিফটিং ওফ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ইম্ফাল ইষ্ট শগোলমাংগী কনভিনর এল থোইবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হেল্‌থ মিনিষ্টরনা পুথোরক্লিবা চে অসি কদায়দগী লৌবিরুবনো হায়না হংলক্লি। দি সী ওফিসতগীরা নৎত্রগা হেল্‌থ দিপার্টমেন্টতগীরা হায়না হংলকপগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অমত্তা চে অদুগী মপু ওইবীয়ু হায়বা য়াদ্রে। মিনিষ্টরনা জে এ সীগী কাঙবুবু লো খঙদবা ওইনা অমদি দোক্যুমেন্ট কল্লেক্সন তৌবা হৈতবা ওইনা উবগী মওংদা হায়রিবা অদুবু মীনিষ্টরনা পুথোকপীরক্লিবা অমদি মীয়ামদা উৎলক্লিবা চে অদুদি কদোমদগীনো হায়না হংলক্লি।

হায়রিবা চে অসিনা শগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংদোকপগী অচৌবা মরমনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপীরক্লিবা অদু খ্বায়দগী অঙকপা থৌদোকনি। মিনিষ্টরনা মফম খঙদবা চে অমা পুথোরক্লগা মীয়াম ৱাহনবা অমদি মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অসি মণিপুরগী পুৱারিদা ময়েক লানা লৈহৌরগনি। পাট্টাদারদা সম্মোন তৌরগা সোই তৌ হায়বদা ওথোরিটি অমত্তগী সাইন তৌদবা চে অসিনা ওইহল্লিবা শক্তমদি, এদিস্নেল দিরেক্তর হেল্‌ঠ এস মনিকান্তগী য়ুমদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা হেল্‌ঠ মিনিষ্টরদা পীশিল্লগা হেল্‌ঠ মিনিষ্টরনা অমুক পিন শৎতোক্লগা মীয়াম মরক্তা লংশিনবগা চপ মান্নবা থৌওংনি হায়রি।

মরম অদুনা মরি মখোঙ মুন্না খঙদনা চেরোল অমবু লৈঙাক্কী য়াম্না থৌদাং লৈবা অমদি হান্নসু মিনিষ্টর ওইরম্লবা মীশক অমনা মীয়ামদা পুথোক্তুনা মীয়াম ৱাহল্লিবা অসি এদিস্নেল দিরেক্তর হেল্‌ঠ অমদি হেল্‌ঠ মিনিষ্টরনা লোনা য়াবা থৌওংনি হায়না লৌবিব্রা হায়রি।

থা অসিগী ৩ দা হেল্‌ঠ মিনিষ্টরনা মীদিয়াদা ফোঙলক্লিবা ৱাফমশিং অদু জে এ সীনা য়াবা ঙল্লোই। মিনিষ্টর অমা ওইরগা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা ৱা ঙাংবীদবা হায়বসি লৈপাক্কী ওইনা লায়বক থিবনি। মিনিষ্টরগী ৱাফমদু খুন্দ্রাকপম অমদি সাইকুল এসেম্বলী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীয়াম্না থম্মোয় শোকপা অমদি য়ানিংদে হায়বসি মিনিষ্টরনা মথং নুমিৎতা ফুরুপ কয়া শুনা তিনবা, মীওই কয়ানা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

মমাংদসু থিংবা ঙমহৌদনা ঈফিজি মৈ থাখিবনি। মসিগী অফ ফত্ত পুম্নমক্কী থৌদাং মিনিষ্টর হেল্‌ঠ অমদি এদিস্নেল দিরেক্তর হেল্‌ঠনা পুগদবনি। হেল্‌ঠ মিনিষ্টরনা অহানবদা পুথোকখিবা লমগী চয়েৎনবা ৱাফম অদুদগী অমুক নাথৈরক্লগা হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টতা মমীং ওন্দ্রিবা লমদা শম্বল খাজিনবা লোনা য়াদে হায়বগুম্বা ফেন্সিংগী লৌথোকখিবা শেলদা চুম্মী চুমদে হায়বগুম্বরোমদা ওন্থোরক্লি। ফিভম অসিদা লমগী চয়েৎনবা নত্তে। লৈঙাক্লা পাঙথোক্লিবা থবকশিংগী থিগৎফম থোকপনি। লোয়ননা থিগৎপীয়ু হায়রি। মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু মকোক মমৈ শম্নরক্লে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শগোলমাংদা শাগনি হায়বসি মমাংগী লৈঙাক্লা মফম চপ চারে হায়না লেপ্পীরম্লবনি। ফিভম অসিদা অনৌবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর অমদি হেল্‌ঠ মিনিষ্টর অনীমক্লসু হান্না কেবিনেট দিসিজন লৌখিবা অদুদা য়াওখিবনি। মরম অসি লৈবনা ঙসিগী অনৌবা লৈঙাক অসিনসু কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বর ২৩ দা থোকপা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না লৈরিবনি। মথংদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসেম্বলী মীফমদা দিমান্দ দিস্কসনদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা হেল্‌ঠ মিনিষ্টরনা কৈদৌঙৈদগী হৌগদবনো হায়বমক ঙমদ্রবসু লমগী হায়রবদি হোস্পিটাল অমদি মসিগা মরী লৈনবা মীফমদদি শোকপা য়াদে হায়না য়ু এন ওগী রুলসতা য়াওরিবনি।

হেল্‌ঠ মিনিষ্টরগী থৌদৌ অসিদি হৌখিবা এপ্রিল ২৮ দা জে এ সীগা চীফ মিনিষ্টরগা উননবগীদমক তৌবিমল খঙবা উৎলি অমদি হেল্‌ঠ মিনিষ্টর লাক্লবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরকসি হায়খিবদু ঙাইরি হায়না ফোঙদোরক্লি। মফম মরাং খঙদবা ঈহৌ অমা চঙশিল্লক্কদ্রা হায়বসি জে এ সীনা মীপায়দবা ঙমদে। জে এ সীনা খান্বা ৱাগনি হায়বা অসিমসু লৈঙাক্কী মফমদা থমজরি। মসিগী মখাদা থোক্লকপা ওইহন্নিংদবা থৌদোক খুদিংমক্কী থৌদাং পুম্নমক হেল্‌ঠ মিনিষ্টর অমদি এদিস্নেল দিরেক্তর হেল্‌ঠ অনীনা পীগদবনি হায়রি।

# য়াইরিপোক বামোন লৈকাইগী ঈরম- খোংলমশিং শেংদোকখ্রে



**ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):** নুমিৎ নিনি-হুমনিগী মমাংদগী নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা ঈশিং থুমজিনলম্বা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৩ গী বিষ্ণহা য়ুথ ফেদরেসন য়াইরিপোক্কী গ্রাউন্দগী অকোয়বা অমদি য়াইরিপোক থৌবালগী লম্বী নাকলগী ঈরম খোমলমশিং বি জে পিগী ষ্টেট এগজ্যুকেটিব মেম্বর ওইনাম হরিদাসনা অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা এক্সকার্বেটরনচিংবা ৱাইদুনা শেংদোকখ্রে।

ঈরম- খোংলম শেংদোকপা অদুগা মরি লৈননা ওইনাম হরিদাসনা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ নিনি-হুম্নি মমাংদগী ঈশিং থুমজিনবা কয়া য়াওরকপদগী মীয়াম্না হায়জরকদগী লন্নাই ওইবা শেনফম পুথোক্তুনা ঈরম খোংলম শেংদোকপনি। হীরম অসিদা কনাগুম্বা অমত্তগা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকখি।

মখা তানা মীয়ামগী অৱাবা খরদং ওইরবসু কোক্লবা থবকশিং পায়খৎখিবনি অমদি লৈরকনচিংবা অকুৎপা মফমশিং হয়েংদগী নুংনচিংবা হাপচিন্দুনা শেমজিল্লগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা বামোন লৈকাই য়ুথ ক্লব য়াইরিপোক্কী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জয় হিদামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ক্লব অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ঈরম খোংলমশিং শেংদোকপগী থবক চংখ্রে। এক্সকার্বেটর অমদি ট্রেক্টরনচিংবা শীজিন্নদুনা ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা বামোন লৈকাইগী ফোরেষ্ট বিথ মনিংদগীনা কেরিয়র ইংলিস স্কুল মপা ফাওবা শেংদোকখি। নোং খজিক্তং তাবগা ঈশিং থুমজিন্দুনতা লৈরিবা ফোরেষ্ট মনিংদগীন য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন তাবা লম্বী অসিসু নোং গাড়ি কয়া থাদুনা শেমজিনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা সোসল সার্ভিস অসিদা ৱাংখেম এ সিগী এম এম এ কৈশাম মেঘচন্দ্রা লাক্তুনা য়েংশিনবীরম্বা অমদি সোসল সার্ভিস অসিদা শীজিন্নখিবা মেছিনশিং অমসুং নুংশিং মতেং পাংবিরমখি অমদি অথুবা মতমদা দ্রেন চল্লগনি অমসুং লম্বী অসিসু কোইলাস থারগনি হায়না ফোঙদোকপিরম্বা অদুগীদমকক্লব অসিনা নুংখিবা ফোঙরক্লি হায়না মখা তারক্লি।

# ইম্ফাল সিটিগী ভেহিকল কনভর্সেস পোলিসি অমা শেম্বীগদবনি: জোইন্ট এক্সন কম্মিটি

ইম্ফাল, মে ০৭ (এন ঐচ এস) : গভর্নমেন্টনা ইম্ফাল সিটি মনুংদা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা ৱিঙ্গর, মেজিক অমসুং দিজল ওটোরিক্সো চঙহনবা য়ারোই হায়না লৌখিবা ৱারেপ অদু ঙসি ফাওবদা মীয়ামগী য়েংদুনা হন্দোকপগী ফিরেপ লৌরক্তবা অসিনা মরম ওইরদুনা জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল ওফ মণিপুর অন্দর ফাইব টন পেসেঞ্জর সর্ভিসনা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরে হায়রি।

জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল ওফ মণিপুর অন্দর ফাইব টন পেসেঞ্জর সর্ভিসকী কনভিনর এল সোমোরেন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফিরেপ অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবা পুম্নমক্কী থৌদাং লৈঙাক্লা পুগদবনি। ইম্ফাল সিটি মনুংদা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিং অসিনা সিটি মনুং অসিদা পোল্ল্যুসন থোকহল্লি অমসুং ট্রাফিক্কী ভোল্যুম হেনগৎহল্লি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা অসি অরানবা ৱাখল্লোন অমদি অরানবা মীৎয়েংদনি। সিটি মনুং অসিদা থোকহল্লিবা পোল্ল্যুসন অমসুং ট্রাফিক জামগী প্রোব্লেম অসিদি লৈঙাক অসিগী গাড়ী পার্কিং মেনেজমেন্ট শোইবা অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী অরানবা থৌশিলশিংননি।

গভর্নমেন্টনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিনা নোংমগী গাড়ী থৌরগা হিংজরিবা মীচম অমসুং মীয়ামগী হিংবগী পুকচাপ লম্বী থদৎপগী থৌরাংনি। মসিদা নত্তনা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিনচিংবদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা খ্বায়দগী চাউনা চৈথেং পীগনি। নোংমগী ওইনা কৈথেলদা মনা-মশীং য়োঞ্জরগা হিংনবগী লম্বী ওইরিবা মীয়ামদসু অচৌবা চৈথেং পীগনি। পেসেঞ্জর গাড়ীশিং অসিগা শাগোন্ননা ওফিস অমদি অতৈ থবক থৌরমশিং চৎচরিবা মীয়ামদসু চাউনা অপনবা পীগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং অসিগী চপ চাবা মহুৎ শীনবা য়াবা থৌরাং অমা গভর্নমেন্টনা পায়খৎত্রিঙৈদা সিটি মনুংদা গাড়ী চঙবা থিংবগী ফিরেপ অসিদি য়াম্না চাউনা অরানবা অমনি হায়না মরাল শীরক্লি।

ইম্ফাল মনুংদা নোইজ পোল্ল্যুসন অমদি ট্রাফিক জামগী ভোল্যুম হেনগৎলকপা অসিদি আই এম সীনা মীয়াম চৎনরিবা লম্বী তঙ্খায় থিংলগা প্রাইভেট গাড়ীগী পার্কিং পীদুনা শেল তানবগী থৌওং অসিনা থোকহল্লকপনি। আই এম সীনা হান্না দিজল ওটোরিক্সোশিং, মেজিক, ৱিঙ্গরশিং অসিগী পার্কিং ওইজরম্বা মফম কয়া তকথোক্লগা মখোয়গী শেল তানবা য়ানবা শেল য়াম্না পীবা ঙম্বা মীওইশিংদা গাড়ী পার্কিং পীননবা থৌরাং লেপ্তুনা পায়খৎলি। ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীগী মফম অয়াম্বা প্রাইভেট পার্কিং ওন্থোক্তুনা মীয়ামদা চাউনা ট্রাফিক জাম থোকহল্লি। মসিগী মথক্তা শেল পায়বা মীওইশিংনা তোংলকপা অচৌবা গাড়ী কয়া লম্বীগী নাকলদা খামজিল্লি অমসুং মখোয়না গাড়ীদগী কুমথরগা পোৎ চৈ লৈবগী থৌওং চংথরি। মসিগী মথক্তা ট্রাফিক পুলিসনা হায়রিবা মীওইশিং অদুদা ৱা ঙাংবা অমদি লোগী ওইবা থবক লৌখৎপদা অকিবা লৈবদগী থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদে। ট্রাফিক মেনেজমেন্টগী থবক্তা পুকচেল শেংবা অমদি থৌদাং লৈনা থবক তৌদবগী থৌওং কয়াসু লৈরি হায়না মরাল শীরক্লি।

ইম্ফাল সিটিগী কৈথেলশিং অমদি সিটি মনুংদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বগী গাড়ীশিং লম্বীদা অহিং-নুংথিল নায়দনা খাল্লগা থম্মী। অসিগুম্বা অশোয়বশিং অসিগী মথক্তদদি গভর্নমেন্টনা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা মপুং ফানা লৌখৎপা ঙমদে। কৈথেল মনুংগী মী চিনবসু অশোনবা ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংদা তায়শিন্দুনা ওৎপী নৈবীবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। সিটি মনুংগী পোল্ল্যুসনগী মতাং অসিদি পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা গাড়ী খক্তনা থোকহনবা নত্তে। ইম্ফাল মনুংগী দ্রেনেজ সিষ্টেম, সেনিটরি, লম্বী- থোং অমদি ইম্ফালগী মনুংদা চায়রিবা অমোৎ অকায় কয়া অসিসু অচৌবা পোল্ল্যুসনগী প্রোব্লেম অমনি। সিটি মনুং অসিদা চেল্লিবা নম্বুল তুরেল অসিসু পোল্ল্যুসন থোকহনবগী অচৌবা মফম অমা ওইরিবনি। মমাং চহীদা মাহুদ মিনিষ্টরনা ইম্ফাল সিটি মনুংদা চেজেৎ অমত্তা তাহল্লোয় হায়খ্রগা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি খন্থরুবদা অঙকপা পোকই। সিটি মনুং অসিদা দ্রেনেজশিং শেংবগী মীংদা তৌখায়রম্বা, ফক্কায়রম্বা অমদি দ্রেনেজ মথক্তা লৈবা ফুঠ পাথ কয়া অসি শেমজিনবীদনা থম্বীরি। লম্বীগী ফুঠ পাথতা কোম কয়া অমসু লৈরি হায়রি।

গভর্নমেন্টনা সিটি মনুংদা চংলিবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং অসিগী পার্কিংশিং থৌবাল, থৌবালগী, লিলোংগী ওইনা শিংজমৈদা, বিষ্ণুপুর অমদি টিদিম লাইনগী ওইনা ক্বাকৈথেলদা। অমরোমদা, খুম্বোং, কৈথেলমানবীগীনা তেরা কৈথেলদা পীবা। লল্লাই, টিনসিদ রোদকী ওইনা লল্লোং কৈথেলদা। ময়াই লম্বী, ময়াং ইম্ফাল অমসুং ৱাবগাইগী ওইনা পিশুমথোংদা। মন্ত্রিপুখ্রি, কোইরেঙ্গৈ অমসুং সেকমাই মায়কৈগী ওইনা খোঙনাং অনী কারক্তা। ইরোইশেম্বা অমসুং লমশাংগীনা নাওরেমথোংদা। পোরোমপাৎ, অন্দ্রো, ইরিলবুং অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা অন্দ্রো পার্কিংদা পার্কিংশিং পীবা হায়না পায়খৎলিবা থৌওং অসিনা ইম্ফাল সিটি মনুংদা লাকপা অমদি ফাওদুনা চৎকদবা মীচম মীয়ামদা গাড়ী মথাং কয়া তোংবগী অৱাবা অমদি পেসেঞ্জরশিংদা গাড়ী অতোংমল হেন্না তিংহনবতা নত্তনা মতম মাঙহনগনি। ওফিস অমদি স্কুল, কোলেজনচিংবা চৎলিবা শেল থোকচদ্রিবা মহৈরোয়শিংদা অচৌবা চৈথেং পীগনি। কৈথেল মনুংদা লল্লোন ঈতিক তৌজরিবা, পোৎ চৈ, য়েনসাং নাপী য়োনবা লাক্লিবা মীওই কয়ামরুমগী পোৎ চৈ পুশিনবগী পান্বেসু লৈরোইদৌরি।

গভর্নমেন্টনা দিজলগী পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং অসিগী মহুত্তা বেটরিনা চেনবা ঈ ওটোরিক্সোনা মহুৎ শীনগনি হায়বগী থৌওং অসি ওইথোক্লোইদবা মওংনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, ট্রাফিক্কী ভোল্যুম চাউনা হেনগৎহনগনি অমসুং হেন্না চাউবা প্রোব্লেম অমা হাপকৎকনি। করিগুম্বা গভর্নমেন্ট অসিনা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবা দিজল গাড়ীশিং অসিগী মহুৎ শীনদাকসি হায়বা তারবসু গভর্নমেন্টনা গাড়ী মপুশিং অসিদা মতম পীগদবনি লোয়ননা শিনগদবা গাড়ী অদু করম্বা গাড়ীনো হায়বদু পোলিসি অমা পুথোক্তুনা মহুৎ ওনবা নৎত্রগা শিনদোকচনবগী থৌরাং পায়খৎপীগদবনি হায়রি।

লৈঙাক অসিনা ভেহিকল কনভর্সেসন পোলিসি অমা শেম্বীগদবনি। পুন্সি হিংনবা অমদি ইমুং-মনুং পুদুনা মচা-মশু থাক্লিবা মীওইশিং অসিগী পুকচাক ওইরিবা লম্বী থৎলোইদবনি অমসুং মখোয়গীদমক চপ চাবা পার্কিং পীবীগদবনি।

চীফ মিনিষ্টরগী খুঙ্গং চৎসি হায়বা অহানবা থৌরম হৌদোকপদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুং চনবা লফুপাৎ তেরাদা 'কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মীচম মীয়ামগী হিংনবগী লম্বীদা অয়েৎ অপন পীরোইদবনি' হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু খন্থবীরগা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌদুনা হিংজরিবা অমদি মীয়ামগীসু থৌগল তৌরিবা মীচম মীয়ামশিং অসিবু অয়েৎ অপন অমদি অৱাবা পীবীগনু হায়না লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।